**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 23-10-2024)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ২৩-১০-২০২৪, য়ুমশকৈশা)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা আইন না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি-পিপলস ৱার গ্রুপগী মীওই ৬ ফারে। খূৎশু খূৎলাই কয়া মরুমশু ফাগৎপা ঙমখ্রে। ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসনা কে.সি.পি পিপলস ৱার গ্রুপকী মীওই ৬ জিলা অসিগী পোরোম্পাৎ এরিয়াদগী ফাগৎপা ঙমখ্রে। মখোয়দগী চকা মরি পানবা গারি অমা চকা অনি পানবা গারি অনি, মোবাইল ফোন ৬, স্লিং বেগ অমা, ৱালেত অনি, আই.দি কার্দ অনি অমসুং শেল ওইনা লূপা লাখ ৩, লিশিং ৮৮,৯৫০ ফাগৎপা ঙমখি। মখোয় অদু সরকার অমসুং লন্নাইগী মীওইশিংদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীশকশিংনি হায়রি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী থোইরোইলোক অমসুং মসিগা তাইনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্নবগী থবক চৎথবদা ফুট অনিগা ইঞ্চি ৫ শাংবা লোকেল মেত পোম্পী বেরেল অনি, য়ান্নবদা দ্রগকী পোৎলমশিং, ইলেকত্রিক দিতোনেতর অনি, মেগজিন য়াওবা লোকেল মেত নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, লোকেল মেত হেন্দ গ্রেনেত অহুম অমসুং লোকেল মেত পোম্পী এম্যুনিসন অনি ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা,জিলা অসিমক্কী বোংবাল ভিলেজকা তাইনবা লমজাং ফোরেজ হিল রেঞ্জতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্নবগী থবক চৎথবদা থ্রী নোট থ্রী রাইফল অমা, থ্রী নোট থ্রী গী লাইফ রাউন্দ অনি, মেগজিন অমা, পোম্পী ষ্টেন অমা, তুয়েল্ভ এম.এমগী সিঙ্গল বেরেল অমা, কেমো জেকেত অমা, কেমো মেগজিন পাউঞ্জ অমসু কেমোফ্লেক খোংগ্রাউ অমা ফাগৎলে।

**এমএসপিদিসিএল (এল)ঃ** মণিপুর ষ্টেট পৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিতেদ (এম.এস.পি.দি.সি.এল) না মৈ হুরাল্লগা থাল্লম্বা মীওই ১৯ ফাগৎলে। মখোয় অদুদি চুরাচান্দপুরগী ২, কাংপোকপিদগী ৩, বিষ্ণুপুরদগী ২, থৌবালদগী ৪, আই.ই.দি ৱান দগী ৩ অমদি আই.ই.দি ফোরদগী ৫ নি। মখোয়গী মথক্তা এফ.আই.আর ৬ লৌখৎলে। মৈগী খাজনা থিরমদবা কঞ্জুমর ৯ গী মৈ ককথৎলে। মখা তানা দ্রাইভ চৎথখিগনি হায়রি।

**আর্মি(এল)ঃ** ইন্দিয়ান আর্মিনা শিন্দুনা লৈমখোংগী প্রেমনাগর অমসুং দ্বারিকা ভিলেজতা ক্লাস নাইনদগী তুয়েল্ব ফাওবগী মনুংদা মহৈরোইশিংগী কেরিয়র কাউন্সিলিং লেকচর অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু আর্ম ফোর্সেসকী মতাংদা নহাশিংদা নিংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি । থৌরম অদুদা মহৈরোই ২৩ না শরুক য়াখি।

**সেনাপতি(এল)ঃ** সেনাপতি জিলাগী এস.পি ওফিস কেম্পস্তা ঙরাং নোংমগী ওইবা বোল্লিবোল টুরনামেন্ট অমা পাঙথোকখ্রে। টুরনামেন্ট অদু পুলিস ফ্লেগ দে ওবজর্বেন্স থৌরমগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবনি। টুরনামেন্ট অদুদা পুন্না তিম মরিনা লম্বা তৌনখি।

**আই(এল)ঃ** ২৫ রক শুবা ৱার্ল্ড আই সাইত দে পালন থৌরমগা মরি লৈননা সিজ হোস্পিতাল লাঙ্গোল অমসুং সিংজমৈ চিংঙামখা মোদেল ক্লব না পুন্না শিন্দুনা লেমা মিৎ লায়েংবা অমদি কেত্রেক স্ক্রিনিং তৌবগী থৌরম অমা চীংঙামখা কম্যুনিতি হোলদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মীওই কয়াগী মীৎকী অনাবশিং লায়েংখি।

**চাইনা ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি চাইনাগী রাষ্ট্রপতি সি.জিন পিংগা ৱারি শান্নগনি । ৱারি শান্নবা অসি রসিয়াগী কজানদা পাঙথোক্কদবা ব্রিক্স মীফমগী মপান্দা শান্নগদবনি। চাইনাগী ভারতকা তাইনবা লাইন ওফ একচ্যুয়েল কন্ট্রোল পরিংদা লৈবাক অনিনা পেট্রোল্লিং চৎপগী মতাংদা য়ানা ৱারোল অমা সহী তৌনবা প্‌খৎলক্লিবা ৱাফমশিং অদু য়েংলগা লূচিংবা অনিনা শান্নগদৌরিবা ৱারি অদু য়ামা আর্থ লৈ। লূচিংবা অনিনা ৱারি শান্নবা অসি চহী ৫ লৈরগা ঙসিগী অসিনা অহানবনি। চহী ৫ গী মমাঙদা লূচিংবা অনিনা হান্না ৱারি শান্নবা লৈখ্রবনি ।

**কর্নাতকঃ** কর্নাতিক্তা সেদ্যুল ত্রাইভ কাংলূপশিং চাওখৎ থৌরাংগী থবক্তা থাদখিবা শেনফমশিং কংগ্রেসনা লান্না শিজিন্নরে হায়না বি.জে.পিনা মরাল শিরি। হিরম অসিগী মরি লৈননা রাজ্য অদুগী বি.জে.পি প্রসিদেন্ট না লূচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মীহুৎ কাংবু অমগা নিউ দিল্লিদা উনদুনা হিরম অসিগা মতাংদা পাউদমখ্রে। উনবা লোয়রগা পাউমীশিংগা উনবদা রাজ্যগী বি.জে.পি প্রসিদেন্ট বিজ্যায়েন্দ্র না হায়-কর্নাতিক্তা হন্দক্কী লোক সভা মীখল অদুদা কংগ্রেসনা রাজ্য অদুগী সেদ্যুল ত্রাইভ কাংলূপশিংগী চাউখৎ থৌরাংগী শেনফমশিং লান্না শিজিন্নখি হায়না ইলেক্সন কম্মিসনদা পাউদমখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা কংগ্রেসকী মথক্তা মতিক চাবা থবক পায়খৎপীনবসু তকশিল্লমখি। মসিগী মথক্তা লোক সভা মীখলদা কংগ্রেসনা মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক থুগাইদুনা এদভর্তিজমেন্ট কয়া তৌখ্রে হায়নসু ৱাকৎখি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- হৌজিক লান নংলিবা রসিয়া অমদি যুক্রেন অনিগী মরক্তা শান্তি হনজিলহন্নবা হোৎনবদা অঙন্বা মতেং পাঙগনি। রসিয়াগী রাষ্ট্রপতি ব্লাদিমির পুতিনগা কাজানদা উনবদা শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অনিনা হৌজিক মুকরিবা অসি ৱারি শান্নরগা লোয়শিনবা ঙমগনি। লান তৌনরগা কৈদৌউঙেদা শান্তি পুরকপা ঙল্লোই। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং রসিয়াগী রাষ্ট্রপতি ব্লাদিমির পুতিন অনিনা কাজানদা ৱারি শান্নখিবা অদুগী মতাংদা পাউমীশিংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লদুনা ফোরেন সেক্রেটরি বিক্রম মিশ্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লান নংলিবা যুক্রেনগী লূচিংবশিংগা উননবা শেম শারিবা অদুগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিনা শ্রী পুতিনদা নিংথিনা খংহনখি। লূচিংবশিং অদুগা উনরবা মতুংদা লৈবাক অনিগী মরক্তা শান্তি হনজিলহন্নবা ভারতনা শেম শারিবা কয়া অদুবু নিংথিনা পাউদমখি। মহাকা হায়-লূচিংবা অনিনা ৱারি শান্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী মরক্তা ঙাকশেলগী মতাংদা তেংবাং পীনবগী ৱাফম খন্নখিবা অদু য়ামা পেন্নিঙাই ওইবা ৱাফম অমনি। মসিগী তুংদা লৈবাক অনিগী মরি হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা অথুবা মতমদা মোস্কোদা অমুক হন্না ৱারি শান্নগনি।

**য়ুপি ঃ** ঈশিং য়োকশিন্দুনা থন্বা অমসুং নিয়ম চুমা শিজিন্নবগীদমক উত্তর প্রদেশনা নেসনেল ৱাতর এৱার্দ ফংখ্রে। রাজ্য অদুনা লৈবাক অসিগী ওইনা ৱাতর মেনেজমেন্টকী অনিশুবা মনা ফংলে। হিরম অসিদা নিংথিনা থবক তৌবগীদমক বন্দা জিলানা খ্বাইদগী ফবা জিলাগী মনা ফংলে। মনাশিং অদু নিউ দিল্লিগী বিগ্যান ভাবনদা ঙরাং পাঙথোকখিবা মঙাশুবা নেসনেল ৱাতর এৱার্দস সেরেমোনিদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা য়েন্থোকখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মিনিষ্ট্রিনা মনিপুরদা এন.ঐচ প্রোজেক্ট ৫০ অয়াবা পিখ্রে। সি.আর.আই.এফকী মখাদা মনিপুরগী লন্বী ৫৭ লূপা ক্রোর ৩৯৯ চংনা শেন্বগী অয়াবা পীরক্লে অমসুং চীফ মিনিষ্টর দেল্লিদগী হল্লকখ্রে। এম.এল.এ মিনিষ্টরশিংগী অপুনবা মীফম পাঙথোক্লবা য়াই হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী অহানবা লমাইদা মরু ওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙনরি।

এম.এল.এ মিনিষ্টর ১৯ না প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখি হায়রিবা চেরোল হৌজিকসু কেকু লোৎলি। চীফ মিনিষ্টর হল্লকখ্রে, পাউমীশিংদা করিমতা ফোঙদোকপা ঙমখিদ্রে। বি.জে.পিগী এম.এল.এ অমনদি অন ওফিসিএলনি হায়খ্রে হায়বা পাউ অমসুং দেঙ্গি মীপাইনিঙাই ওইরি, পুং ২৪ গী মনুংদা পোজিতিপ কেস ৪০ হেনগৎলক্লে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মিনিষ্ট্রিনা মনিপুরদা এন.ঐচ প্রোজেক্ট ৫০ অয়াবা পীখ্রে। সি.আর.আই.এফ স্কিমগী মখাদা ক্রোর ৩৯৯.৩৬ থাদুনা মণিপুরগী লন্বী থোঙ শেমগৎলগনি হায়বা পাউ অমসু নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা লমাইদা বেনর হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

পাউ অসিগা মান্নবা পাউ সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। ইরাংগী চৈথেং খ্বাইরম্বন কৈথেল পোৎশিৎ তঙ্খাই হন্থরে। পোৎ কয়াম শিৎলিবগে হংনদ্রে, খুলাংখাং কৌরব্রা হায়না হংনরে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সেন্ট্রেল লিদর কয়া উনরল্লবা মতুং চিফ মিনিষ্টর ইম্ফালদা হল্লকখ্রে। ময়াংখাংদা শারিবা ট্রিপল আই.তিদা মনিপুরগী নহারোলশিং ৱার্ল্ড ক্লাসকী থাক্তা মহৈ তম্বা ফংলগনি: সি.এম হায়বা পাউ অমসু ইচেল এক্সপ্রেস পাউচেগী অহানবা লমাইদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মালেমদা খ্বাইদগী শান্না পাইবা উচেক অমুর ফেঙ্কোন তামেংলোংদা চাক্তাবা হৌরে হায়বা পাউ অমসু মণিপুর নিউজ পাউচেগী অহানবা লমাইদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সেক্সন ৪৭৯ গী মখাদা মতিক চারবা য়ু.তি.পিশিংবু থাদোকবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অমসু পোকফম পাউচেগী অহানবা লমাইদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

কাংপোকপি অমসুং চুরাচান্দপুরদা য়ুথ কংগ্রেসকী মেম্বরশিপ দ্রাইভ হৌদোকখ্রে হায়বা পাউসু পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমাইদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

অমুর ফেঙ্কোন মণিপুরদা লাকপা হৌখ্রে হায়বা পাউ য়াওনা শগাই শাদুনা পুখিবা নাগালেন্দদা লায়েংলি হায়বা পাউসু সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরি অমসুং ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমাইদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

নুমিৎ ৭নি চুপা পাঙথোক্কদবা ফিল্ম দিষ্ট্রিব্যুসন অমসুং মার্কেতিং ৱাকশোপ হৌখ্রে হায়বা পাউ অমসুং ইম্ফাল ফ্রি প্রেস পাউচেগী এঙ্কর কলমদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

এক্লব্যা মোদেল রেসিদেন্সিএল স্কুলগী ইঞ্জিনিয়র প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু মণিপুর মেল পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

সরকারনা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং থিংলে হায়বা পাউ অমসু মোর্নিং বেল পাউচেগী অহানবা লমাইদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি, পাউ অসিগা মান্নবা পাউ গানফিউ মেল পাউচেগী অহানবা লমাইদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

নাগা ষ্টুদেন্স ফেদরেসন্সনা লূচিংদুনা অনশম অমসুং মসিগী য়ুনিতশিংনা ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর পিলর নম্বর ৮২ দা ভিজিৎ তৌখ্রে হায়বা পাউ অমসু তামেংলোং তাইমস পাডচেগী অহানবা লমাইদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।